# অঈং-অশাগী খল কায়রকপনা শা-ষণদা পীরিবা চৈথেং

সরাংথেম জেসমারানি

লমদম অমগী অঈং-অশা, নোংজু-নুংশা অমদি নুংশিৎকী ফীভম্না লৈবাক লৈহাও মনা-মশিংগী অমদি শা-ঙাগী পোত্থোক্তা অহোঙবা কয়া পুরকই। গ্লোবেল ৱার্মিং হায়বসি মালেমগী অশাবা হেনগৎলকপবুনি। মালেমনা নুমিৎতগী ইনর্জি লৌদুনা মালেমদা লৈরিবা জীব পানবা খুদিংমক লুম্না থম্মী। মসিদসু নত্তনা অঈং-অশা কায়দনা থম্নবা মালেম্নসু ইনর্জি খরা পুথোকপা মথৌ তাই। মালংদা য়াওরিবা গ্যাসনা মালেমদা কোয়শিন্দুনা সোলর রেদিএসন চৎহন্দনা ফাজিনবা ঙমহল্লি। হায়রিবা গ্যাস (গ্রিন হাওস গ্যাস) সি য়ামখৎলক্লগদি মালেমদা হেন্না শাগৎলকপগী মচাক অমা ওইরকই। হায়রিবা গ্রিন হাওস গ্যাস (কার্বোন দাইওক্সাইদ, মিথেন, নাইত্রস ওক্সাইদ, ঈশিং মনিল, ক্লোরোফ্লুরোকারবোন) অসি খূৎশেমগী ওইবসু য়াই নৎত্রগা শাগোন্নরকপসু য়াই। গ্রিন হাওস গ্যাসতা য়াওরিবা ঈশিং মনিলসি শাগোন্নরকপনিনা মালেমগী শাবগী চাংসি খরমখৈদি শেন্নরগা থম্বা ঙম্মী। গ্রিন হাওস গ্যাস য়াওদ্রগদি শাবগী চাংসি অসুক্কী মতিক নেমখিদুনা মীওইবা অমদি জীব পানবা খুদিংমক হিংবা ঙমদে অদুগা করিগুম্বদা গ্রিন হাওস গ্যাসকী চাং ৱাংনা লৈখ্রগদি শাবগী চাংসি অসুক্কী মতিক ৱাংখিদুনা থক খা ওন্নবগুম অঈং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাং হোংলকপা কয়া অমা মায়োক্লগদৌরিবনি। ষণ অমদি ইরোইগী মশীং অসি ঐখোয়গী ইন্দিয়ানা অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী ৱাংনা লৈরি। অনীশুবদনা হামেংনা লৈরি অদুগা অহুমশুবদনা য়াউনা লৈরি।

অঈং-অশাগী খল কায়রকপনা ষণগী পোত্থোক চাথোক্তা অকায়বা পীরিবশিং অদুদি ঃ-

ক) শা-ষণগী চানবা মচিঞ্জাক ফংনবা অমদি মমলদা অহোংবা লৈরকপা।

খ) শা-ষণনা চানবা অফবা মখলগী শজিক থারিবা অমদি লৌবুক-লম্মাংদা হৌরিবা শজিক খুদিংমক পোত্থোক অমদি শজিক্কী ক্বালিটি অমদি ক্বান্টিটিদা অহোংবা কয়া লৈরকপা।

গ) কা হেন্না অঈং-অশাগী খল কায়রকপদা শা-ষণশিংগী শারেপ ফাননবা হোৎনবদা, চাগোকপদা অমদি হকচাংগী ফীভম ফগৎনবা হোৎনবদা অহোংবা কয়া লৈহল্লকপা।

গ্রিন হাওস গ্যাসকা শা-ষণগা করম্না মরী লৈনবগে?

ক) শা-ষণদা পীজরিবা শজিকশিং থাবদা হার ময়াম অমা চঙই । হায়রিবা হারসি শেম্বদা ফোসিল ফিউয়েল কয়া অমা চঙই। ফোসিল ফিউয়েলশিং শীজিন্নবা মতমদা কার্বোন দাইওক্সাইদ চাং ৱাংনা পুথোরকই। অসুম্না চাংচত্তা চহী অমদা মিলিয়ন টোন ৪০ গী কার্বোন দাইওক্সাইদ পুথোকই।

খ) শা-ষণনা চানবা শজিক থানবা অমদি মখোয়না লৈনবা উমং কোকথোকপা নৎত্রগা মৈ থাবা মতমদা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাং য়াম্না পুথোকই।

গ) শা-ষণনা চাশিল্লিবা মচিঞ্জাকশিংসি মথং-মনাও নাইনা তুম্নবা হোৎনবদা মাইক্রোবিএল ফর্মেনটেসন তৌদুনা মিথেন-গ্যাস পুথোকই । হায়রিবা মিথেন গ্যাস অসি শা-ষণনা চারিবা মচিঞ্জাক অমদি মখোয়না তুম্নবা হোৎনরিবা প্রোসেস অদুগী মতুং ইল্লি। শা-ষণদা চখাউ মরী পানবা (ষণ, ইরোই, হামেং, য়াউ অসিনচিংবা) গা পান্দবগা মিথেন পুথোকপগী চাংদম্নবদা চখাউ মরী পানবদনা হেল্লি। চখাউ মরি পানবা শাশিংদি অয়াম্বনা শজিক্না নম্না চাই। মফোনগী শরুকসু চাই। মখোয়না চাশিনখ্রবা মতুংদা অমুক ঙাইহাক পোত্থারগা থগোকলকপদা হাইদোরকপা মতমদসু মিথেন গ্যাস অসি পুথোরকই। শা-ষণনা চারিবা মচিঞ্জাক্কী ক্বালিটি অমদি ক্বান্টিটিসু মিথেন গ্যাস পুথোকপগী মখা পোল্লি। ক্বালিটি হন্থবা মচিঞ্জাক্তা মিথেন গ্যাস পুথোকপা হন্থহল্লি অদুগা ক্বান্টিটি য়াম্না মচিঞ্জাক পীজরগদি মিথেনগী গ্যাস পুথোকপগী চাং ৱাংনা লাকই।

খ) শা-ষণশিংগী মথী ময়ুংশিংসি নুংশিৎ অমসুং ওক্সিজেন য়াওদনা পুমথহন্নবা হোৎনবদা মিথেন গ্যাস পুথোকই। মিথেন গ্যাস পুথোক্লবা হোৎনবদা চঙলিবা বেক্টেরিয়াসি মথী ময়ুংশিংগী টেম্পরেচর অমদি মোইচরগী মখা পোল্লি। মসিদসু নত্তনা শা-ষণনা চারিবা মচিঞ্জাক অমদি মখোয়গী ডাইজেষ্টিব সিষ্টেমগী মখা পোল্লি।

ঙ) শা-ষণদগী, মচিঞ্জাক অমদি অতোপ্পদগী অকংবা কয়া লৈহৌবনা নাইত্রস ওক্সাইদকী চাং হেনগৎহল্লি অমদি মথী ময়ুং নিংথিনা মেনেজ তৌদ্রগসু নাইত্রস ওক্সাইদকী চাং ৱাংহল্লি।

মালেম অপূম্বগী ওইনা কাবোন দাইওক্সাইদ পুথোকপদা শা-ষণনা চাদা ৯ পুথোকই। মিথেন গ্যাসনা চাদা ৩৫-৪০ পুথোকই অদুগা নাইত্রস ওক্সাইদনা চাদা ৬৫ গী চাংদা পুথোকই।

গ্রিন হাওস গ্যাসতা পুথোকপগী চাং করম্না হন্থহনগনি ঃ

ক) শা-ষণনা চারিবা শজিক থাবা মতমদা শীজিন্নরিবা হারসি য়ারিবমখৈ রসায়নগী হার ওইদবা ওর্গানিক ওইবা, কম্পোস অসিনচিংবা ময়ামসি শীজিন্নবীগনি।

খ) য়ারিবমখৈ মফোনগী শরুক্না নম্না পীজবগা লোয়ননা লোকেলদা ফংলিবা শজিক ময়াম অমা পীজনবা হোৎনবীগনি।

গ) ফোসিল ফিউয়েল চাং হন্থনা শীজিন্নবা।

ঘ) শা-ষণশিংসি ষনজাবুংদা থাদোক্তুনা শজিক চাহনবা।

ঙ) মথী ময়ুংশিং লমহাংদা চাইথোল্লবনিনা মিথেন গ্যাস সলরিদগী পুথোকপা চাং হন্থহল্লি।

চ) করিগুম্বা মতমদা লৈবাক্তগী ডি-নাইত্রেফিকেসন তৌদুনা নাইত্রস ওক্সাইদ পুথোকই। শা-ষণনা ষনজাবুংদা শজিক চারগা মথী ময়ুংশিং অমদি ঈশিং ময়াম অমদি নিংথিনা চাইথোল্লগদি নাইত্রস ওক্সাইদকী চাং হন্থহল্লি।

টেবল ১ ঃ গ্রিন হাওস গ্যাস পুথোকপগী চাং ঃ

| এগ্রিকলচর সেক্টর | মিথেন | নাইত্রস ওক্সাইদ | কার্বোন দাইওক্সাইদ |
|---|---|---|---|
| পুমথরবা মতুং চাকখাউদগী থোরকপা | ১০০৯৯.৮০ | - | ২১২০৯৫.৮০ |
| ষণথি ষণয়ুংদগী | ১১৫.০০ | ০.০৭ | ২৪৩৬.৭০ |
| ফৌ থাবা মতম | ৩৩২৭.০০ | - | ৬৯৮৬৭.০০ |
| লৈবাক্তগী | - | ১৪০.০০ | ৪৩৪০০.০০ |
| অরেম্বা মনা মশিং | ২১৬.০০ | - | ৬৬০৬.০০ |

পীরিবশিংসি টোন লিশীংদা - সোর্স আই এন সী সী এ, ২০১০।

ঐখোয়না গ্রিন হাওসতা গ্যাস চাং হন্থনবা অমদি তুং কোয়না মতম শাংনা হিংনবা কাঙলোন চুম্না শা-ষণ লোইনবা হোৎনমিন্নরসি।

# ঙা মশা ফহনবদা ঈশিং অমসুং লৈবাক লৈহাওগী থৌদাং

ডোঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ

চিঞ্জাক্কী ওইবা ইন্দষ্ট্রিজশিংগী মনুংদা এক্বা কলচর হায়বদি ঙাগী ওইবা ইন্দষ্ট্রিজ অসিনা খ্বাইদগী থুনা চাওখৎলক্লিবা থৌওং অমনি। ঙা য়োকপদা মায় পাকপা হায়বসি ঈশিং, লৈবাক লৈহাও, হার, অফবা ঙা মচা অমদি অফবা মচিঞ্জাক্কী মখা পোল্লি। ঙানা ইরোইবা, মচিঞ্জাক চাবা, শ্বর হোনবা, মচা পোকপা পূম্নমক অসি ঈশিংদা তৌবা মরম্না ঈশিং অমদি লৈবাক লৈহাও ফহনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। মথৌ তাবা ঈশিংগী মগুন খরদি :-

১) ঈশিংদা তুংদুনা লৈবা ওক্সিজেন

২) ঈশিংগী অঈং অশা

৩) এমোনিয়াগী চাং

৪) ঈশিংগী অশিন-অয়াক্কী চাং

৫) ঈশিংগী অরূবগী চাং অসিনচিংবনি।

লৈবাক লৈহাওগী মগুন হায়বসি ত্রেদিসনেল সেমি-ইন্টেন্সিপ অমদি খজিং য়োকপনচিংবদনা হেন্না মরুওই। লৈবাক লৈহাও অসিনা ঙাগী মথৌ তাবা ন্যুত্রিয়েন্টশিং ফংহন্নবগী মচাক অমনি। ঙা খরগী মচিঞ্জাকসু ওই। লৈবাক লৈহাওদা লৈবা অপিকপা হিংকুপশিং হায়বদি ঈশং, বেক্টেরিয়া, কোকফাই অমসুং প্রোটোজুৱানচিংবগী লৈফম ওইদুনা দিকম্পোজিসন অমসুং মিনরেলাইজেসন তৌদুনা ন্যুত্রিয়েন থাদোরকপদা মতেং পাংই। মসিগীসু মথক্তা তীল, থরোই অমদি পান্বী মচা কয়াগী লৈফম ওইদুনা ঈশিংগী লৈখাদা চাবা ঙাশিংগী মচিঞ্জাকসু পীরি।

ঙায়োক পুখ্রিদা লৈগদবা ঈশিংগী মগুনশিং :-

১) ঈশিংগী মচু- শংলি-শংলি তৌবা মচু

২) ঈশিংগী অরূবগী চাং - ঈশিং মথক্তগী য়েংথবদা সেন্টিমিটর ২০দগী সেন্টিমিটর ৩৫ ফাওবা উবা ঙমগদবনি।

৩) অঈং-অশাগী চাং - সেলসিয়স দিগ্রী ২৫দগী ৩২ ফাওবা ওইগদবনি।

৪) অশিন-অয়াক্কী চাং - পি ঐচ ৬.৫-৮.৫

৫) তুংদুনা লৈবা ওক্সিজেন - ৫-১০ এমজিএল $^{-1}$

৬) অলকালিনিতি - ৫০-৩০০ এমজি/এল





৭) কেলসিয়ম - ৩০-১৮০ এমজি/এল

৮) ক্লোরাইদ - ৩১-৫০ এমজি/এল

৯) ফোসফোরস - ০.০৫-০.৪ এমজি/এল

১০) এমোনিয়ম - ০.০-০.১ এমজি/এল

১১) এমোনিয়ম - ০.০-০.১ এমজি/এল

১২) নাইত্রাইট নাইত্রোজেন - ০.০-০.৫ এমজি/এল

১৩) নাইত্রেৎ নাইত্রোজেন - ০.১-৩.০ এমজি/এল

১৪) আইরন - ০.১ এমজি/এল

১৫) বি ও দি - <১০.০ এমজি/এল

১৬) সী ও দি - <৫০.০ এমজি/এল

পোত্থোক লৈগদবা লৈবাক লৈহাওগী মগুনশিং:

১) লৈবাক লৈহাওগী মখল - লোমী ওইগদবনি

২) অশিন-অয়াক - পি ঐচ ৬.৫-৭.৫

৩) কার্বোন (%) - ১.৫-২.০

৪) $CaCO_3$ free(%) - ২.০-৫.০

৫) নাইত্রোজেন - ৫০-৭৫/এমজি/১০০জি

৬) পি/এন রেসিও - ১০-১৫

৭) এল/এন রেসিও - ২০

শুনু শীজিন্নবগী মথৌ তাবা :

১) শুনু শীজিন্নবনা ঈশিং অশিনবা ফহল্লি।

২) ফোসফোরস ফংহনবদা মতেং পাংই।

৩) নাইত্রোজেন ফংবা হেনহল্লি।

৪) ওর্গানিক মেটর কাইথহনবদা মতেং পাংই।

৫) পোটাসিয়ম মরাং কায়না ফংহল্লি।

৬) মথৌ তাবা বেক্টেরিয়া মরাং কায়না ফংহনবদা মতেং পাংই

৭) কেলসিয়ম অমদি মেগ্নেসিয়ম ফংহল্লি।

৮) কান্নদবা মহিক মতাই হাৎতুনা ঈশিং ফহল্লি।

৯) লৈহাও লৈবা হেনগৎহল্লি।

ঈশিং ফহন্নবা মরুওইবা থৌরাং খরা :-

১) ঈশিং অশিনবা ফহন্নবা শুনু শীজিন্নবা।

২) অলকালিনিটি অমসুং হার্দনেস ফহননবা এগ্রিকলচরেল লাইমষ্টোন শীজিন্নবা য়াই।

৩) কার্বোনদাইওক্সাইদকী চাং ৱাংখৎলবদি এরেসন হায়বদি ঈশিং লেংহন্দনা নুংশিৎ চঙহল্লগা হন্থহনবা য়াই।

৪) পোটাসিয়ম পরমেনগনেট শীজিন্নদুনা $H_2S$ হন্থহনবা য়াই।

৫) হেভি মেটাল অমদি অহেনবা ন্যুত্রিয়েন্ট হন্থহনবগীদমক কবোকং শীজিন্নবা য়াই।

৬) কোপর সলফেট শীজিন্নদুনা ঈশং অমদি পেরাসাইট হাৎপা য়াই।

৭) ওক্সিজেন দিমান্দ হন্থহননবা ঈশিং খরা শিনবীবা অমদি ওর্গানিক লোদ হন্থহনবা য়াই।

৮) শুনু হায়বদি কেলসিয়ম হাইদ্রোওক্সাইদ নৎত্রগা কেলসিয়ম ওক্সাইদ শীজিন্নদুনা কার্বোনদাইওক্সাইদ হন্থহনবা য়াই।

প্রোবাইওটিক্স হায়বদি কান্নবা হিংকুপশিং শীজিন্নদুনা ঈশিং ফহনবদা নত্তনা লায়না তীলনা কয়া ফহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। হায়রিবা কান্নবা হিংকুপশিং অসিনা কান্নদবা মহিক-মতাইশিংগা লৈফম, মচিঞ্জাক্নচিংবা কয়া মুন্নরক্তুনা কান্নদবা লায়না-তীলনা থোকহনগদৌবা হিংকুপশিংবু হাৎপদা মতেং পাংদুনা য়োল্লিবা ঙাদা অসুক্কী মতিক কান্নবা পীরি। মসিদসু নত্তনা কান্নবা হিংকুপশিং অসিনা ঙাগী মচিঞ্জাক ওইবদা নত্তনা কান্নবা এঞ্জাইম কয়া ফংহন্দুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

অসুম্না মথক্তা পঞ্জখ্রিবা থৌওং কয়াসি মুন্না খন্থমিন্নরগা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহন্নবা হোৎনমিন্নরসি।



# ৱাটরসেদ মেনেজমেন্টকী চাওখৎ থৌরাংগী থৌরমশিং অমসুং মসিদা মীয়াম্না শরুক য়ামিন্নবগী তঙাইফদবশিং

ডো. ৱাইখোম জিতেন

মালেম অসিদা লৈরিবা অহিংবা জিব খুদিংনা হিংনবগীদমক তঙাইফদনা চঙলিবা লৈবাক, ঈশিং অমসুং পান্থীশিংনা পূনশিল্লগা ৱাটরসেদ হায়বসি ওই। মসিগী মনুংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অয়াম্বা মীওইবনা মখোয় হিংনবা হোৎনবদা থোকহল্লিবা অকায়বশিংনা ওইহল্লি। ৱাটরসেদ অমদগী ফংগদবা মহৌশা ইমানা পীবা লনশিং অসি ঐখোয়না শীজিন্নবগী থৌশিল শোয়বনা কান্নবা ফংগদবা মীওইশিংদা অসুক্কী মতিক শোকহল্লি।

ইন্দিয়াদদি অয়াম্বা মফম নোংগী মতেংনা লৌ উবা, ঈকং থোক্লনবা মফমশিং অমসুং কা হেন্না মীশিং য়াম্বা মফমশিংদা কা হেন্না অৱাবগী ফীভম মায়োক্লরি। মনা মশিং থাবা মফমশিং মাঙথরক্লি। ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কয়া অমা নৎত্রগা লৈবাক লৈহাও চেন্থবগী চাং হেনগৎতুনা নোংমা নোংমগী ঈকং থোকপা য়াবগী খুদোংথীবা অমসুং অঈং অশা কায়রকপদগী খুদোংথীবা লৈরি। মসিনা মরম ওইদুনা পোত্থোক চাথোক খুদিংমক হন্থরক্লবগী মচাক অমা ওইরি।

অসুম্না ইন্দিয়াদা ৱাটরসেদকী খুদোংচাদবশিং অসি হন্থনবা থৌরাং অমা কুমজা ১৯৫২দা মঙাশুবা চহী মঙাগী থৌরাংগী মখাদা পায়খৎপা হৌখি। হায়রিবা থৌরাংশিং অসিগী মরুওইবা পান্দমদি - লৈবাক লৈহাও মাঙশিল্লকপা হন্থনবা হোৎনবা; ঈশিং অমসুং লৈবাক্তা ইনিলগী চাং ফবা হেনগৎহনবা; ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা হেনগৎহনবা অমসুং নোংগী ঈশিং তুংশিন্দুনা থম্নবা হোৎনবা; লৈবাক লৈহাও পাঙদবা মফমশিং হেন্না লৈহাও লৈবা মফম ওইহনবা; লৈমায়গী মথক থংবা শরুকখক্তদা মরা চৎপা অমদি অরূবা লৈরোল ফাওবা মরা চৎপা পান্থীশিং কাঙলোন নাইনা অরন-অকুং খঙনা পূন্না নৎত্রগা থামিন্নদুনা হেন্না লূবা লৈবাক্কী লৈরোন মনুং ফাওবা শীজিন্নদুনা পোত্থোক চাথোক লৈবা মফম অমা ওইহন্নবগী পান্দম থম্বা; মহৈ মরোং, মনা-মশিং, শজিক, উ-ৱা পুথোকপগী চাং ৱাংখৎহনবা; খুঙ্গংগী লমগী মীওইশিংগী থবক পীনবগীদমক লৈজরিবা লমশিং অদুগী খ্বাইদগী ফবা শীজিন্নবা য়ানবা থৌশিল শেম্বা; তুং কোয়না চাওখৎপা মফম অমা ওইহনবগীদমক তোইনা থোক্লনবা ঈশিং ঈচাও অমদি ঈকংবু পূন্না থেংনমিন্নবনি।

ৱাটরসেদ প্রোজেক্ট অমা পায়খৎনবগীদমক মফম অদুদা লৈগদবা মচাকশিং - থক্লনবা ঈশিং ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্লবা মফম; লৈনুংগী ঈশিং কা হেন্না শীজিন্নখ্রবা মফম; লৈবাক লৈহাও শাথিনা মাঙখ্রবা মফম মরাং কায়না লৈবা মফম; ৱাটরসেদকী থৌরাংশিং পায়খৎখ্রবা মফমগা থংননা নৎত্রগা নকশিন্ননা লৈবা মফম; সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ত্রাইবকী মীশিং য়াম্না লৈবা মফম; মহৌশাগী লনশিং কা হেন্না শীজিন্নখিবা মফম নত্তনদি ঈথৈ লৌখোং মতিক চানা লৈবা মফমদা ৱাটরসেদ পায়খৎপা য়াদে অমসুং মীয়ামগী ওইবা অপূনবা লন শেমগৎনীংবগা লোয়ননা ফংগদবা কান্নবশিং অদু পূন্না য়েন্নদুনা তুং কোয়না চৎনবা থবক পায়খৎলিবা মীয়াম্না লৈবা মফম ওইগদবনি।

ৱাটরসেদ অমগী মনুংদা পায়খৎলিবা শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং অসি পূক্লিং থৌগৎনীংঙাইগী মশক ওইরবসু, লমদম অদুগী মীয়াম্না শেমগৎ শাগৎপা অদুদা য়াওশিন্দ্রবদি মীয়ামগী ওইবা লনশিং অদু তুং কোয়না চত্তে। ৱাটরসেদ মেনেজমেন্ট মায় পাক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্থেদি মীয়াম্না থৌরাং অদুদা শরুক য়াশিনবনি। মীপূম খুদিংবু থৌরাং অসিদা য়াওনীংহন্নবগীদমক মায় পাক্লা পায়খৎখ্রবা খোঙথাং অদুদি LEARN হায়বা অসিনি।

L - Listen carefully to farmer (লৌমীশিংনা হায়বদু চেকশিন্না তাবীয়ু)

E - Encourage farmers to speak (লৌমীশিংবু ৱা ঙাঙহন্নবা পূক্লিং থৌগৎপীয়ু)

A - Ask question without interruption (য়ারিবমখৈ লেপ্পা লৈতনা ৱাহং হংবীয়ু)

R - Review whatever the farmers say (লৌমীশিংনা হায়রিবা খুদিংদু মুন্না খন্নবীয়ু।

N - Note everything down for planning (ঙাঙনরিবা/থেংনরিবা খুদিংমক থৌরাংশিং শেম্নবগীদমক ইশিনবীয়ু)

ৱাটরসেদ মেনেজমেন্টতা লমদম অদুগী মীয়াম য়াওহনবগী তঙাইফদবা মরমশিং :- (১) লৈঙাক অমদি এন জি ওশিংনা পায়খৎকদবা থবকশিং অদুগী থৌশিল থৌরাং য়াৎথোকপা, থবক ওইনা ওন্থোক্লবা হোৎনবা অমদি মদুনা থবক অদুগী অফ-ফত্ত য়েংশিনবদা চঙগদবা শেঞ্জঙ হন্থহল্লি। (২) পায়খৎলিবা থবক অদুবু হেন্না মমুৎ তানা খঙবা অমদি তশেংনা কান্নবা ফংবগী চাং ৱাংখৎহল্লি। লৈবাক লৈহাও কন্ননবা পায়খৎলিবা থবক্কী মওংশিং অদুগী অশোয়বা য়াওরবসু চুমথোক্লবগী খুদোংচাবা পী। (৪) ৱাটরসেদকী মফমদা লৈরিবা মীয়ামদা য়াইফ থৌরাং অদুগী মরমদা হেন্না খঙহল্লি। (৫) এন জি ও নৎত্রগা লৈঙাক্কী মতেংনা হিংগনি হায়বগী ৱাখল হন্থহল্লি অমদি মশানা মশাবু থাজরক্তুনা পায়খৎলিবা থবকশিং অদু মশানা লিশাং শিৎনা চৎপা থবক অমা ওইহল্লি। (৬) শেল থুম অমদি খুন্নাইগী ফীভম শোত্থরবা মীওইশিংদা অহেনবা পাৱর শিন্নে।

নোংগী মতেংনা লৌউ-শিংউ তৌবা অমদি নোং লিক্লা তাবা মফমদদি ইমুং মনুং পুবা ঙম্নবা হোৎনবদা নুপাশিং লংফৈ চৎলি। মরম অদুনা ৱাটরসেদকী থবক পায়খৎপদা নুপীশিংনা হৈনীংনা শূগদবা থবকশিং হাপ্পীদুনা মখোয়গী শূবা ঙম্বগী মতিক-ময়াই হেনগৎহনগদবনি। নুপীশিংনা হেন্না খূৎলোইগদবা খূৎলায়শিং শেম্বীবা অমদি পৈশা য়াম্না মাঙহন্দবা লৈরাংনচিংবা শেম্বীবদা অহেনবা মীৎয়েং থম্বগী তঙাইফদবা লৈ।

মীয়াম্না মপূং ফানা ৱাটরসেদকী শেমগৎ শাগৎলিবা অদুদা শরুক য়ানবা পায়খৎপা য়াবা খোঙথাং। (১) খুঙ্গংদা লৈরিবা মীয়ামগী তোঙান তোঙানবা লোইশঙশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা মহৌশাগী লনশিংগী মপূং ওইবা পাৱর পীবা অমসুং অশিন অরাং তৌবদা খরা থৈদোক থৈজিন তৌবগী অয়াবা পীবিবগা লোয়ননা মথৌ তৌরিবা অমসুং মপাঙ্গল কল্লিবা ওইহনগদবনি। (২) ৱাটরসেদকী খুদোংচাবা ফংগদবা মীওইশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা হীরমদা থিজিন্নবা লৈরিবা লোইশঙশিং পূন্না চৎমিন্নদুনা মফম অদুমক্তদা মফম অদুগা চানবা শেমগৎ শাগৎপগী থৌরমশিং থিদোকমিন্নবা। (৩) ৱাটরসেদকী থৌরাং শেল্লিবা মীওইশিং, মীওই কাঙলূপ অদুগী খুদোংচাবশিং অমসুং লোইশঙশিংগী মকোক থোংবশিংবু পায়খৎকদৌরিবা থবক অদুগী মরম খঙহন্নবা হোৎনবা, পায়খৎকদৌরিবা থবক অদুগী মায়কৈ তাকপা ঙম্নবা হোৎনবা, সাইন্সকী ৱাখল লৌশিং শীজিন্নদুনা পায়খৎকদৌরিবা শেমগৎ শাগৎপগী থৌরমশিং ৱাখল তাহনবা অমদি পায়খৎকদৌরিবা থৌরম ময়ামদু মতৌ করম্না অতোপ্পশিংদা খঙহন্নবা হোৎনগদগে হায়বদু তাকপী-তম্বীগদবনি। (৪) লৌমীশিং অমসুং থবক অদুবু পায়খৎপদা মতেং পাংগদবা মীওইশিংবু মরী লৈনবা হীরমদা তাকপী তম্বীবা অমদি মরী লৈনবা মফমশিং য়েংহনবনচিংবা তৌবীগদবনি। (৫) লৈবাক লৈহাও অমদি ঈশিং মাঙহন্দনা থম্নবা পায়খৎকদৌরিবা থবক থৌরমশিং অদু থবক ওইনা উক্তুনা মীয়ামদা খঙহনগদবনি। (৬) পায়খৎকদৌরিবা থবক থৌরমশিং অসি নত্তনা অতোপ্পা মহুৎ শিন্নবা অমা লৈত্রে হায়বদু মীয়াম পূন্না নৈনদুনা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি। (৭) ৱাটরসেদকী থবক থৌরমশিং পায়খৎপা মতমদা তঙাইফন্দনা লৌফমশিং অদু হান্না শীজিন্নরম্মী মওংদগী অতোপ্পা মওং অমদা হোংবা মতমদা মখোয়গী শেন্থোক মতম খরগী ওইনা হন্থহল্লি, মরম অসিনা অসিগুম্বা অসিগীদমক ঐখোয়না তোঙানবা থৌরাংসি মখোয়গীদমক শেন্থীগদবনি।

অসুম্না ৱাটরসেদ মেনেজমেন্টকী থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা লমদম অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী মতেং চঙই। ৱাটরসেদ মেনেজমেন্ট থবক খুদিংমক মায় পাক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্থেদি মীয়াম হুপ্না পায়খৎকদৌরিবা থবকশিং অদুদা তোঙান তোঙানবা মওংদা শরুক য়াশিনবনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।